কে সি সি লোন লৌথোকখিবা লৈতে, লোন শিংনিংদবদগী পাওথোকপনি ঃ দিনেস

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ জে এল সি লোন ভিক্টিম ফেমিলি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি কৈরাও লংদুমগী সেক্রেটরী অরাম্বম রামেশ্বরি দেবী কৌবী নুপী গ্রুপ অমনা বি পি এল ফেমিলিশিংগী মিংদা কে সি সি কার্দ শারগা পি এন বি ইরিলবুংদগী লোন্না লোন লৌথোকখ্রে হায়না মরাল শিরক্লিবসি অরানবা য়ুমফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না ব্যুজিনেস করেস্পোন্দেন্ট ফোরম ওফ পি এন বি ইরিলবুংগী স্পোকপর্সন লোংজম দিনেসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লোংজম দিনেসনা হায়, কুমজা ২০১৬ দা লৌখিবা কে সি সি লোন অদু শিংগৎলকনবা শেল থৌরুবদা লোন শিংনিংদবদগী বেঙ্ককী ব্যুজিনেস করেস্পোন্দেন্টশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎরকপনি। কুমজা ২০১৬ গী এপ্রিলদা লংদুম, কৈরাওনচিংবা খুল খরগী নুপীশিংগী ওইবা মীওই ৫।৫ না শাবা জোইন্ট লাইবিলিটি গ্রুপ (জে এল জি) শিং শেন্লগা গ্রুপ মেম্বর অমমদা লুপা ৩৪,১০০।– গী চাংদা কে সি সি লোন সেনক্সন তৌখিবা লৈ।

পীখিবা লোন অদু মীওইশিং অদুনা মশা–মশানা লোন ফোর্মশিংদা সাইন তৌরগা বেঙ্কদা লাক্লগা মশা–মশাগী বেঙ্ক একাউন্টদগী মখোয় মশানা লোন এমাউন্ট অদু কাইথোকচখিবনি। লোন প্রোসেস তৌবদা বেঙ্কগী বি সি শিংনা মতেং পাংখিবা নত্তনা ৱুমেন জে এল সি গ্রুপশিং অদুগী সাইন শারগা, ফেক দোকুমেন্টনচিংবা শিজিন্নরগা লোন লৌথোকখিবা লৈতে। মশা–মশানা সাইন তৌরগা বেঙ্কদগী লোন লৌখ্রগা শাংলবা চহী ৪ রোম অসি লোন শিংগৎতনা লৈরকপদুদা শিংগৎনবা প্রেসর পীরুবদা বি সি দা ওনশিল্লগা হুরান লান্নদা লোন লৌথোকখ্রে হায়জিল্লকপনি। মশানা সাইন তৌরগা লোন লৌখিবদু মখোয় খঙহৌদে হায়না ফোঙদোরক্লিবা অসিদি লোন শিংনিংদবগীনি।

লোন লৌখিবদা মশা খঙহৌদে হায়বা অদুগা অমুকসু লোনগী শেনফম খরা ফঙই, বেঙ্কতা লোন শিংগৎপা হৌরুরে হায়বা কন্ট্রদিক্টরি ওইবা ৱাফম অসিনা তাকপদি মখোয় মশানা য়ানা বেঙ্কদগী লোন লৌখি হায়বদু অদুম তাকচবনি।

মহাক্না হায়, কে সি সি লোন অদু বি পি এল ফেমিলিগী নুপীশিং খল্লগা পীখিবা লোন নত্তে। লোন এমাউন্ট অদু সবসিদিসু য়াওদে। বেঙ্কনা পীখিবা লোন এমাউন্ট অদু লুপা ৫০,০০০ নত্তে, শুপ্নতগী লুপা ৩৪, ১০০ খক্তনি।

কুমজা ২০১৬ দা লৌখিবা শেনফম লুপা ৩৪,১০০ গী কে সি সি লোন অদু শাংলবা চহী মরিরোম শিংলক্তবনা মরম ওইরগা হৌজিক্কী লোন অদু ইরিগুলর ওইরে, এন পি এ তাদৌরে। শেল শিংগৎনিংদ্রবনিনা চহীগী ইন্টরেন্ট ময়ামসু পশিল্লগা হৌজিক্কী আউটষ্টেন্দিং দ্যু এমাউন্ট লুপা ৪২,০০০গী মথক্তা লৈখ্রে।

লোন এমাউন্ট লুপা ৫০,০০০ সেনক্সন তৌরগা মখোয়দা লুপা ২০,০০০ খক্তা পীরকখি হায়বসি য়ুমফম য়াওদে, ইভিদেন্স লৈত্তবা ৱাফমনি। অরানবা ৱাফমনি। লোন নারোলদা লৌথোকখি নৎত্রগা লৌথোকখিদে হায়বসি চপ–চাবা দোকুমেন্ট বেঙ্কদা লৈবা ঙাক্তনি।

দোকুমেন্টস অমত্তা য়াওদনা ৱুমেন জে এল সি গ্রুপ শেমখি হায়বসি তাবদা ঙকপা ফাওই। লোন লৌরমদাইদা গ্রুপশিংদুগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরী অমসুং মেম্বর খূদিংমক্না লোন ফোর্মদা সাইন তৌরবা মতুংদা মীওইশিংদুগী ইদেন্টিটি প্রুফ য়াওরবা তুংদা বেঙ্কনা লোন সেনক্সন তৌখিবনি। কোন্না অতোপ্পা বেঙ্কদা লোন এপ্লাই তৌরুবদা পি এন বি বেঙ্কগী লোন তোল্লি খঙলকপনি হায়বসি মচিন থিবা, ওইদবা, মীনম্বা তাবদা নোকনিংবা ৱাফমনি।

লোনিশিংনা ৱাখল তাদবা লৈরবসু বেঙ্ককী বি সি শিংগা নিংথিনা ৱাখল তামিন্নবগী থোং–লাওনা হাংদুনা লৈ। বি সিবু লান্না উহন্নবা হোৎনবা, জে এল জি লোন ভিক্টিম ফেমিলি জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা অথুবা মতমদা শেংদোকউ। শেংদোকত্রবদি লো কোর্টতা দিফমেসন সুট তৌরগনি।

পি এন বিগী ইমপ্লোইয়িশিংনা কষ্টমরশিংদা নিংথিনা দিল তৌখিদে হায়বা ৱাফমসিসু অরানবনি। বেঙ্কবু লান্না উহন্নবা থৌওংনি হায়রি।

মুহেম ইরানা হায়, কম্মিটি অসিনা মহাকপসু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবসি কন্দেম তৌই। মহাক্না কমিমটিগী মীওইশিং লোন পীখবা লৈতে। মহাক্না কম্মিটিগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মরিসু লৈনদে হায়রি।

‘য়ূমথোঙ খূদিংদা ওক্সিজেন লৈদুনা শীজিন্নবগী ফিভমদা লাক্লে’

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী ডাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিসেসনা শীন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে ২০১৯গা লোয়ননা উ থাবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা মেডিকেল ডাইরেক্টোরেটকী ষ্টেট মেডিকেল বোর্ড রূমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা হেল্থ সার্ভিসেস মণিপুরগী ডাইরেক্টর ডা কে রাজেনা ঐখোয় থৱায় পানবা জিবশিংনা উ–ৱা মথৌ তাবনি। উ–ৱানা ঐখোয় মথৌ তাবা নত্তে। অকোয়বগী ফিভম নোংম–নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা অসিদা ঐখোয় মীওইবনা য়ুমথোঙ খূদিংদা ওক্সিজেন লৈদুনা থন্বগী ফিভম অমা লাক্লে। অদুনা থৱায় পানবা জিবশিং নীংথিনা হিংবা ঙন্নবগীদমক মীপুম খূদিংমক্না উ–ৱা থাদুনা অকোয়বগী ফিভম কন্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি,মালেমগী ওইনা অহিং–অশা হোংলকপগা লোয়ননা নুংশিৎ শেংদবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মসিনা ওক্সিজেন ফঙদবদগী অৱাবা মায়োক্লবগী অকিবা লৈরে। মসি খূদিংমক ঐখোয় মীওইবনা মশাগী কান্নবা নৎত্রগা চাউখৎ–থৌরাংগীদমক উমং–ৱামং কোকথোকপদগী থোকহনবনি।

ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী ডাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিসেসনা শীন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোক্লিবসি অকোয়বগী ফিভম ঙাক–শেনবা হায়বসি ঐখোয় মীওইবদা কদাই ফাওবা মরুওইবগে হায়বসি মীয়ামদা খঙহনবনি। লৈঙাক্কী ওফিসশিং অমদি ঐখোয়গী য়ূমথোঙ খূদিংদা উ–ৱা থাজিন্দুনা অকোয়বগী ফিভম অসি খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি।

সুপ্রিম কোর্টকী ইন্সট্রক্সনগী মতাংদা খন্ন–নৈনবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ প্রোপর ইমপ্লিমেন্টেসন এন্দ ইষ্টাব্লিশমেন্ট ওফ চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন ইন এ দিষ্ট্রিক্ট হায়বা সুপ্রিম কোর্টনা পীরকপা ইন্সট্রক্সনগী মতাংদা খন্না নৈনবগী থৌরম এস পিগী কনফরেন্স হোল বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর এল্লাইয়েন্স ফোর চাইল্ড রাইট অমদি বিষ্ণুপুর চাইল্ডলাইনগা পূন্না খূৎশম্মদুনা থৌরম অদু পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা লমদম অসিদা মাইনর নুপীমচা অমদি নুপামচাশিংদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা কেস অমদি পোকসো এক্টকী মতাংদা কূপ্না খন্ন–নৈনখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি হোপসন সাপমনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিসকী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা থবকশিং মীয়ামদা পাঙগনি অমদি সুপ্রিম কোর্টনা পীরকপা ইন্সট্রক্সনশিং ফেজ নায়না পায়খৎনবা থৌরাঙ লৌরে হায়খি।

মতম হেল্লবা অচাপোৎশিং ...

লমায় ১গী মখা

গোদাউনদা য়েংশিল্লুবা মতমদা কম্পেনি অসিগী এক্সপয়ার ওইরবা পোৎলমশিং নৌনা লেভেল্লিং তৌদুনা য়োন্নবা হোৎনরম্বা থেংনরে।

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ফুড সেফটি সেলনসু অসিগুম্বা হিরম অসিদা হন্না য়েংশিন্দনা লৈরি। ফুড সেফটি সেল অসি মশাগী মথৌ তৌদবগা চপ–মান্নরে। অসিগুম্বা পোৎয়ান তৌদুনা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা এক্সপয়ার ওইরবা অচা–অথক্কী পোৎলমশিংবু নৌনা লেভেল তৌদুনা য়োন্নবা হোৎনরিবশিং অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা ফাগৎতুনা চৈরাক পীহন্নিংই। লোয়ননা কাপা কম্পেনিনা পুথোপা পোৎলম খূদিংমক মণিপুরদা থিংজিল্লে অমসুং ষ্টেট অসিদা কম্পেনি অসিগী পোৎলমশিং সপ্লাই তৌরিবা মৈতৈ মচাশিংনা মশানা য়ানা কে এস এদা চঙজরক্কদবনি।কাপা কম্পেনিনা পুথোকপা পোৎলম খূদিংমক হু চেনবা ওইবনা মণিপুরগী মীয়ান্না চাবীদনবা অমদি শীজিন্নবীদনবসু মহাক্না অপিল তৌখি।

জিরিবামগী সি এস ওশিং মৈ...

লমায় ১গী মখা

খঙদবা য়ান্না লৈবাক মচা তাদবা মীওইনি। এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সঞ্জিবনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অসিদা নাগা ইচিল–ইনাও খরনা লাক্তুনা লৈঙাং পোকপী অসি তামেংলোং এরিয়ানি মফম অসিদা লৈরিবা য়ূম কয়া অসি হোংদোকখিগদবনি হায়না কিহল্লম্বা অসি ঙসিগী পাউগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা মীয়াম খূদিংমক্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌই। অদুগা লোয়ননা চীংমী–তম্মী ইচিল–ইনাওশিংগা য়ান্না নুংশি চান্নরা লৈনরিবা মরী অসিগী মরক্তা অমগা –অমগা য়েংথিনানবগী লাল্লোং তৌরিবা অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু।

মহাক্না মখা তানা হায়,থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু লোগী মতুং ইন্না মরী লৈনবা ওঠৌরিটিনা থাসিগী ১৩শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা চৈরাক পীগদবনি হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা জে দি ওগী প্রসিদেন্ট এল রোমেন সিংহ,ভাইস প্রসিদেন্ট এন সাদানন্দ,জিম্পালগী প্রসিদেন্ট এঁচ মেম্মা দেবী,জেনরেল সেক্রেটরী এল বিমোলা দেবী,এডভাইজর বি সরত শর্ম্মা,কাডা জিরিবাম ৱ্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট টি এঁচ রতন সিংহ, জেনরেল সেক্রেটরী এন কুমারি দেবী,পি পি এ এন এলগী জেনরেল সেক্রেটরী ৱাই রোমিও,এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি,জিরিবামগী প্রসিদেন্ট ৱাই সঞ্জিব সিংহ, এ জে আর টি দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরী এল মনিতোন,লোং লিভ ক্লব,লৈঙাংপোকপীগী প্রসিদেন্ট জি সরত শর্ম্মা অমদি ওর্গনাইজেসন কয়াগী এক্সিক্যুটিভ বোডিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

‘মণিপুর পিপলস বিল অয়াবা পীবিনবা তকশিনলুনবা শেম শারে’

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা মণিপুর পিপলস বিল অয়াবা পীবিনবা মণিপুর দেমোক্রেটিক এলায়েন্সকী মায়কৈদগী দিল্লিদা চৎলগা তকশিনলুনবা ৱারেপ লৌরে হায়না এলায়েন্স অসিগী কনভেনর এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সিভসেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ঙৱাং পাঙথোকখিবা এম দি এগী মীফম অমনা মণিপুরদা সি এ বিল চৎনহন্দনবা মমাঙদা লৌখিবা ৱারেপ অদু অমুক হন্না নৌহৌনা লৌখি।

মহাক্না হায়, মহাক ঙসি মুম্বাইগীদমক ইম্ফাল থাদোল্লুবা তুংদা মুম্বাইদগী দিল্লিদা চত্নুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা থোল্লুবা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক সিবসেনা অমসুং বি জে পিগী মকোকথোংবা লুচিংবশিং উন্নদুনা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি।

মণিপুরনা নীংতম্বা চহী ৭০ শুরবা ফাওবদা চীংগী লমদা খুলদগী মেইন রোদ ফাওবা চৎপা লম্বী য়ৌনবা চৎপদা নোংমা নীনি চংনা খোঙনা চৎপা মফম কয়া লৈরি। স্কুল কলেজ লৈতবা, অনা লায়েংগী খুদোংচাবা লৈতবা, অফবা ঈশিং ফংদবা, মৈ ফংদবা খুলশিংদগী কারকপা এম এল এশিংগা তম্পাক্তগী কারকপা এম এল এশিংগা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ মান্নবা অসি চীংগী লমগী এম এল এশিংদা খরা হেন্না পীবিনবা হন্দক্কী পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপীনবা সিব সেনাগী এম পিশিংদা তকশিনলুনবা মুম্বাইদগীদমক ইম্ফাল থাদোকপনি।

চীং তম নুংশিনবদা কনেক্টিভিটি ফত্তনা ওইথোক্লোই। লৈঙাক অসিনা চীংদা মীৎয়েং থম্বা য়াম্না নুংঙাই। মমাঙগী লৈঙাকশিংনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেবিনেট পাঙথোকপা উখিদে। বিরেন লৈঙাক্না চীংদা চত্নুনা কেবিনেট ফম্বা থাগৎলি। কেবিনেট অদুদা য়াওখিদবা চীংগী এম এল এশিং সিবসেনানা ৱারৌই হায়খি। লৈরিবা ফিভম অসিদা চীং তম নুংশিন্নবা হোৎনবদা সি এস ওশিং, চর্চ লিদরশিংগা, লৈঙাক্না হকথেংননা উন্নদুনা অৱা নুংঙাই খন্নবা মীফমদা শরুক য়াদবা হায়বসি সিব সেনানা নুংঙাইতে অমসুং অমুক হন্না তৌহন্নিংদে হায়খি।

চেঙবু কেজি ১দা লুপা ৩ পীবা ...

লমায় ১গী মখা

ইম্ফালদা অমদি মতম মতমগী লৈঙাক্কী স্কীমশিং নীংথিনা খঙবসু ৱাৎপনা খুঙ্গং অসিগী মীওই অমত্তনা ৱাকৎলুবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

খুঙ্গং অদুদা ৱাগী ব্যুজিনেস তৌরগা লৈবা কামসোন কামৈনা পাউচে অসিদা হায়, অৱাং খুল অসি চীংগী অৱাংবা শরুক্তা খুন্দারম্বদগী নেসনেল হায়ৱে মনাক্তা লৈরগা হিংবদা মতেং খরা ওইনবা অমসুং লম্বী থোং খুদোংচানবা নেসনেল হায়ৱে মনাক্তা হোৎনরকখিবনি। খুঙ্গং অসিগী মীয়াম অনম্বনা লৈঙাক্না পীরিবা তোঙান–তোঙানবা স্কীম নীংথিনা খঙবা য়াওদে। থাগী ওইনা চেং কৌতা ৪ লুপা তরুক্তা য়েনবা অসিতনি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কান্নবা অতৈদি করিসু কান্নবা ফংদে। খুল অসিদদি চেঙ কেজী ফাদনা পীবা অমদি লুপা তরুক পীরগা য়েল্লিবা অসি অদুম পীৱা হায়না খন্নবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল মন্দলে ফ্লাইট সর্ভিস...

লমায় ১গী মখা

লৈঙাক অনিমক্তা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা মসিগী থবক অসি শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ইম্ফাল– মন্দলে ফ্লাইট লৈহনবগী মতাংদা ঙৱাং এয়ারপোর্ট ওঠৌরিতি ওফ ইন্দিয়াগী দাইরেক্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরে। মসিগী থবক অসি পায়খৎপা মতমদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। লোয়ননা ফ্লাইট রুট অসি শেমগত্তুনা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙলকপা অহানবা লাকপা মীওইশিংদা এয়ারপোর্ট ওঠৌরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খুদোংচাবা খর ফংহনগনি হায়বা ৱাফম থাজবা পীরক্লে হায়খি।

ঙসিগী উন্নবা অদুদা ম্যানমার এয়াররেজ ইন্টরনেসনেল অমসুং এয়ার কে বি জেদকী ওপরেসন অমসুং মেনেজমেন্ট বোর্দকী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর অয়ে মিন মোসু শরুক য়াখি।

জুন ১৩দগী কুমগী অকনবা ...

লমায় ১গী মখা

মথক্তা উঙদুনা লৈরি। মসি অৱাং থংবা তম্পাক্কী লমদগী খা থংবা বাংলাদেশতা চঙশিল্লকপনি। বে ওফ বেঙ্গলদগী ঈশিং মনিন পুৱা নুংশিৎশিং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং লোমদা শিৎচিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা অকনবা নোংচুগনি হায়না স্কাইমেট ৱেডর টিমনা থাজবা পীরি। নোংচুবগী চাং অসি মণিপুর,মিজোরাম অমদি ত্রিপুরাদনা হেন্না কনবা য়াই। অদুগা খজিক–খজিক্তগী ময়াই ওইরপ্পা ফাওবা নোংচুবগা লোয়ননা অখাক–অরাও য়াওবা নোংসু অৱাং নোংপোক্কী মফম অতৈদা চুরবা য়াই হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা বে ওফ বেঙ্গলগী নোংচুপ অমদি ময়াই থংবা মথক্তা সাইক্লোনিক সার্ক্যুলেসন অমা লৈবা অদুগা মদুনা ম্যান্মারগী সমুদ্র খোঙবাল লোমদা চঙশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা জুন ১৩দগী হৌরগা নোংচুবা হেনগৎলক্কনি হায়না স্কাইমেটকী কাঙবু অসিনা মাঙজৌননা লাউথোক্লি।

মতম অসিদা, সিকিমগী শরুক খরা অমদি নোংচুপ বেঙ্গলগী সব–হিমালয়ানগী লমশিংদা অকনবা নোংমায়োক্লগনি। মতৌ অসুন্না মোনসুনগী অফবা ফিভম অৱাং নোংপোক লমদমদা উবা ফঙলগনি হায়না টিম অসিনা ফোঙদোক্লি।

সলিম অজাদ ঃ এ এম এম এস ও গী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরী জেনরেল লূপ্তগী তাম্থোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১১(এস এন এস)ঃ দি ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরীবা সাহ নৱাজ অমদি সেক্রেটরী জেনরেল য়ুনুস আলি খুলাকপমনা মহৈরোই ওইরি হায়জিন্দুনা মহৈরোই লূপ অসিগী থৌদাং লৌরম্বগীদমক এ এম এম এস ও গী ফাউন্দর কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদি (এফ সি বি) না মহৈরোই লূপ অসিগা করিগুম্বা হিরম অমত্তা মরী লৈনদ্রে লূপ অসিদগী তাম্থোক্লে হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী ফাউন্দর কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদিগী কনভেনর সালিম অজাদনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হাট্টাদা লৈবা এ এম এম এস ও গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মথক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোল্লদুনা মখা তানা হায়, মহৈরোই লূপ অসিগী ওইনা লৈরিবা বোদি অনীসিদগী এফ সি বি অসি পৱারফুল ওইবা বোদি অমনি। মহৈরোই লূপ অসিনা লৈবাকসিগী লুরবা ইশু কয়াদা কৎথোক্তুনা লাক্লি। অসিদসু নৎতনা মণিপুর মুস্লিমশিংগী রিজার্বেসন চৎনহন্দুনা হোৎনরক্লি। মহৈরোই লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা পুরিবা সাহ নৱাজ অমদি জেনরেল সেক্রেটরী য়ুনুস সাহ নৱাজ মহৈরোইগী মায়খুম উপ্তুনা শাশিন্নবা চে–চাং কয়া ইকজিক্যুটিভতা য়াওশিল্লে হায়বা ৱাকৎ লাকপদগী ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎলুবদা ফংলকপা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা এ এম এম এস ওগী চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদা মহৈরোইসু ওইদনা ওই হায়জিনবগী মহৈরোই লূপ অসিদগী তাম্থোক্লে। লোয়ননা মখোয় অনীনা মহৈরোই লূপ অসিবু শেন্দান লূপ অমা ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনরম্বা লাইবক থিবনি। মখোয় অনীগী মথক্তা পুলিসতা ৱাকৎনবা শেম শারে।

মহাক্না মখা তানা হায়, মখোয় অনীগী মতুংদা লান্না লমজিংখ্রবা ইকজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা লাক্তুনা মহৈরোই লূপ অসিগী কেয়র টেকর ওইনা খনখ্রবা পুসাম জাবেদ অহমদ এ এম এম এস ও হেদ ওফিসতা রিপোর্ট তৌরগদবনি। সাহ নৱাজনা লুচিংবা কাঙবুনা শীজিন্নরিবা লেটর হেদ রিসিপ, ওফিসিয়েল সিল খূদক্তগী চৎনরোই। লোয়ননা য়ুনুস আলি খুলাকপমনা এদমিন ওইবা ৱাটস এপ্প গ্রুপ অমদি ফেসবুক একাউন্টনচিংবা সোসিয়েল মেডিয়া গ্রুপ খূদিংমক লেপহন্নবা সাইভর ক্রাইমগী মতেং লৌরগনি। নৎত্রবদি মীয়ামদা চম্নবা অমা পোক্লগনি। লৈখিদ্রবা হানিফ সাহগী মিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীনবগীদমক সাহ নৱাজনা শেনখাই থুমখাই তৌরিবসি খূদক্তগী লেপকদবনি। লোয়ননা পব্লিসিটি সেক্রেটরী এম দি সাফিউল্লাবুসু মহৈরোই লূপ অসিদগী মতম খরগী সস্পেন্দ তৌরে। মহৈরোই লূপ অসিগী মোরেল শোকপা য়াবা থবক তৌরে হায়বা ৱাকৎ লাকপদগী মহাকপুসু লূপ অসিদগী সস্পেন্দ তৌবনি। মীয়ামদা মফম অমদি মতম চানা এ এম এম এস ওগী ই–পাউ খঙহনজরক্কনি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনসু এ এম এম এস ও না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা সপ্পোর্ট তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

এ আরনা ফাই হায়রিবা নোংমৈ অদু পাওনা বাজারদা ফাওবা ফোঙনা য়োল্লিঃ এক্যুইজ

ইম্ফাল,জুন ১০(এস এন এস)ঃ মোরেদগী ইম্ফালদা পুরকখিবা মপান লৈবাক্তা শাবা রাইফলস স্লোপ ১৬ পরমানেন্ট ভেহিকল চেক পোষ্ট (পি ভি সি পি) খুদেংথাবীদা অসাম রাইফলসনা ফাগৎখ্রে হায়না পাওচেশিংদা ফোঙখিবা রাইফল স্লোপশিং অদু পাওনা কৈথেল অমদি ফুঠপাৎশিংদা অঙাং শান্নবা য়োনবা নোংমৈনি হায়না এক্যুইজ ওইরবা নাওরেম ইবোমচা মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

খূৎশু–খূৎলাইশিং লোন্না পুথোক–পুশিন তৌরে হায়না অকক্নবা পাউ ফঙবদগী থা অসিগী ৮দা খুদোংথাবী পোষ্টকী টিম অমনা মোরেদগী ইম্ফাল লোমদা লাকপা অঙৌবা মচুগী বোলেরো (এম এন ০২জি৩২৩০) অমা চেক তৌনবা খামখি। গারী অদু চেক তৌরুবদা লেজর সাইট য়াওবা অমসুং য়াওদবা রাইফল স্লোপশিং গাড়ী মনুংদা লোৎশিল্লম্বা থেংনখি হায়না পাউচেশিংদা ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

নাওরেম ইবোমচা মৈতৈনা হায়, মহাক সাউঠর্ন মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসন সি সি পুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরী। হৌখিবা থা অসিগী ৮দা নমফালোংদগী হায়রিবা রাইফল স্লোপ ১৬ অদু ইন্দিয়ান আর্মিগী অয়াবা লৌদুনা স্কেন অমদি চেকনা চিংবা তৌদুনা শেংনা পুথোরকখিবনি।

খুদেংথাবীদা ১২শুবা রাইফলসনা চেক তৌখি। মদুদা মহাক্না মহাক অসি সাউথর্ন মণিপুর রাইফলসকী প্রসিদেন্টনি হায়না শক্তাকখি। লোয়ননা স্লোপশিং অদু সি সি পুরদা লৈবা স্কুলশিংদা দেমো তৌনবনি হায়না মরিক চুম্না হায়খি হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

পাউচেশিংদা নাওরেম কলানা গাড়ী অদু থৌদুনা লাকখি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু অরানবা য়ুমফম য়াওদবা পাউনি। গারী অদু মহাক্না থৌখিবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হায়রিবা রাইফল স্লোপশিং অদু পাওনা বাজার অমদি হায়দ্রবাদতদি পুটপাৎতফাও ইফোঙ–ফোংনা য়োল্লি। ওনলাইনদসু হায়রিবা স্লোপ অসি মরাং কায়না লৈবা য়োনবা তৌরি। কষ্টমগী ওফিসিয়েলশিংনসু লৈঙাক্না অথিংবা লৈতে মরম অসিনা পুথোকখিবদা অকায়বা লৈতে হায়দুনা সোই তৌহল্লবা মতুংদা থাদোরকখি। লোয়ননা স্লোপশিং অদু ইম্ফালদগী লৌশিনবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

মণিপুরী মচা ১দা ফেসবুকনা দোল্লর ৫০০০ পীরক্লে

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ মীয়াম্না য়াম্না শিজিন্নরিবা সোসিয়েল মেদিয়া অমা ওইরিবা ৱাটসএপতা শিজিন্নরিবা মীওই অদুগী অরোন অথুপ্তা অকায়বা পীবা বগ অমা পুথোকপবগীদমক জোনেল শৌগাইজমদা ৱাটসএপকী পেরেন্ট কম্পনি ওইরিবা ফেসবুকনা য়ু এস দি ৫০০০ পীরকখ্রে।

মহাক পঞ্জাব টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিদগী বি–টেক লোয়রবা মীশক অমনি। মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ৱাটসএপতা বগ অদু হেক থেংনবগা ফেসকী বগ বাউন্টি প্রোগ্রামদা রিপোর্টট তৌখি। রিপোর্ট তৌখিবগী মথংগী নুমিৎতা বগ অদু ফিক্স তৌরগনি হায়না পাউখুম লাকখি। নুমিৎ খরনি লৈরগা মহাক্কী ই–মেলদা বগ অদু পুথোকপগী মনা ওইনা য়ু এস দি ৫০০ পীরগনি হায়না খঙহলকখি। মসিতসু নত্তনা মহাক্কী মমিংবু ফেসবুকী হোল ওফ ফেমতা ১৬শুবা পোজিসনদা য়াওরকখি।

‘মঞ্জুরদা শীরিবা মরাল য়ূম্ফম য়াওদবনি’

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ কে সি পি নন্দোবু পুলিস কষ্টদিদগী নাম্থোকহনখিবদা চৈন্নে হায়দুনা হৌখিবা মার্চ ২৭ তা পুলিসনা ফবীখ্রগা হাৎতোকপীখ্রবা মণিপুর পুলিস দিপাটমেন্টতা কোন্সটেবল ওইরম্বা এম দি মঞ্জুর অহামদতা শীরিবা মরাল অসি য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেন্সট দ কষ্টদিয়েল কিল্লিং ওফ এস এম মঞ্জুর অহামদনা ফোঙদোকখ্রে। ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা জে এ সি অসিগী কোনভেনর এম দি শলিম অজাদনা হায়, মশাগী ফোন্দা নন্দোগী ফোটো য়াওরম্মি হায়বগীদমক থবক্তগী সসপেন্দ তৌদুনা থম্বীরবা মঞ্জুর অহামদতা মরাল শীজিন্দুনা পক্লনি মতাগুম ময়ূমদগী ফাদুনা পুবীখ্রগা তমথিনা হাৎপীখিবা অসি মীওইবগী লমচৎ নেত্তে। অসিদসু নৎতনা হৌখিবা মে ৭ তা পাউ চেশিংদা য়াওখিবা কে সি পিগী লূচিংবা নন্দো নাম্থোখিবনা মোবাইল ফোন পীরুবনি হায়বা এ আর পার্সোনেল ফাখিবা অমসুং মসিগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা মখোয়গী ইনভেষ্টিকেসন্দা এম দি মঞ্জুর অহামদকা নন্দোগা ই– পাউ ফাওনৈ হায়না মরাল শীরকপা অসি জে এ সিনা য়াবা ঙম্লোই। মহাক্না মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবা মঞ্জুরনা নন্দোগা পাউ ফাওনৈ হায়বসি কোর্টকী মমাঙদা নৎত্রগা মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা হায়রমখিবা লৈতে। মসিদসু নৎতনা মঞ্জুরবু ফাবিখ্রবা মতুংদা কোর্টতা পুথোক্তুনা মশাগী ৱাফম থমজনবা তাঞ্জা ফাওবা পীখিদে। শীখ্রবা মী অমদা মরাল পীশীনবনি হায়না জে এ সিনা লৌই। মঞ্জুরবু ফাখিবা মতমদা ৱারেন্ট ওদর অমতসু পীরম্বদবনা মখোয় মশেল লৌতুনরগা পুলিস ওফিসার অচৌবা খরগী পূন্সি কন্নবা মঞ্জুরবু হাৎখিবনি হায়না জে এ সিনা লৌই।এম দি মঞ্জুর অহামদ অসি পুলিস কোন্সটেবল ওইনা ২০০৯ দা থবক চঙবনি। মহাক্না পুলিস অমা ওইনা থবক তৌরিঙৈদা থবক ফবা অমদি মপূকচেল শেংবগীদমক ইম্ফাল ইষ্টকি এস পি খবিব আই পি এসনা এপ্রিসিয়েসন লেট্টর ফাওবা পীরকখি। অসিগুম্বা দাইতা লৈবা পুলিস পার্সোনেল অমবু মখোয়গী মরাল খরা কুপশীনবা হাৎতোকপীখিবনি হায় মহাক্না মখা তাখি। মখা তানা মঞ্জুরবু মরাল শিবা য়াবা ৱাফম পুলিসনা অচুম্বা খঙদনা ফোঙবীরক্কনু অমদি জে এ সিগা ওনেরেবেল সি এমগা মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপিরকউ অমদি মীহাৎপা পুথোকপীদুনা মতিক চবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

লুচিংবশিংদগী চেকশিনসি

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ মোরেল য়াওদবা পোলিটিকেল লুচিংবনি হায়বশিংদগী মীয়াম মপুং ওইনা ইচে ইচলশিং চেকশিনসি হায়না নোঠ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পার্টি অসিগী তেরা সাপম লৈরক মচিন্দা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ডা. এন জি বিজয়না হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা সোসিয়েল মেদিয়া অমসুং তোঙান তোঙানবা মেদিয়াগী খূথাংদা মণিপুরগা ঙমখৈ লোন্নরিবা ম্যানমারদা থোকখিবা মথোং হুক্তবা থৌদোক অদু পার্টি অসিনা কন্দেম তৌই। ইন্দিয়াগা য়াম্না ইমোস্লেল এটেচমেন্ট লৈবা ম্যানমারদা রেদ লাইট এরিয়াদা থোকপা থৌদোক অদুনা লমদম অসিগী নহা কয়া তুংলমচত্তা লমদম্নহন্নবগী মচাক অমা ওইহল্লে।

তুক্কৎচনিঙাই ওইবা থৌওং অদুনা তুন্দা খুন্নাই অসিদা লৈহৌগদবা চৈথেং অদু য়েংলগা অদুগুম্বা থৌদোক অদু থিংমিন্নবা তঙাইফদে।

লমদম অসিদা লৈরিবা মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিংবু মোঙ্গোলোইদ নত্তবশিংনা য়েংলিবা মীৎয়েং অদু হন্দক্কী থৌদোক অদুনা তাক্লবনি। এক্ট ইষ্ট পোলিসি চৎনহনবদা মণিপুরগী কান্নগদবা থবক কয়া লৈরিবনি। হন্দক্কী থৌদোক অদু য়াম্না কন্দেম তৌনিঙাই ওইবনি।

নুমিৎ নীনিগী মনুংদা শেংদোরক্কদবনি

ইম্ফাল,জুন ১১(এস এন এস)ঃ উকলগী কনভেনর ওইরিবা মুতুম মনিতোননা মণিপুরগী ই–পাউগী খন্ন–নৈনবা খরদা মোইরাং থাংজিং লাই হরাওববু মীয়ামদা লান্না উহনখিবা অদু নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মোইরাং থাংজিং মন্দলদা লাক্তুনা ৱাখল তামিন্নগদবনি হায়না থাংজিং সেভা মন্দল, ফম্নাইবা চৈরাক লোইশঙ অমদি অমাইবা লোইশঙনা ফোঙদোরক্লি। মোইরাং থাংজিংগী লৈকোলদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা থাংজিং লাইগী য়ুরেলহনবা, অমাইবা য়ুমখাইবম রাজেননা মোইরাং লাই হরাওবা অসি লাই হাক্ততগী হরাওদুনা লাকপনি। লাই হরাওবা মতমদা নোংমাইজিং অমা য়াওদবা য়াদবগী মথক্তা লাই হরাওবা শাঙবা–তেনবা হায়বসি কুম–কুমগী লাইজাগী মতুং ইন্না পাঙথোকপনি হায়খি। উনবা অদুদা য়াওখিবা থাংজিং সেভা মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরী, পি ব্রজবিধুনা লমদম অসিদা লাই হাক্তক্তগী হরাওদুনা লাক্লবা মোইরাং থাংজিং অসিবু উকলগুম্বা ওর্গনাইজেসননা মোইরাং লাই হরাওবা করিনো খঙদনা মীয়ামদা লান্না উহনবা লাইবক থিবনি হায়রক্লি।

ইন্দো–ম্যান্মারগী মরী ফগৎহন্নবা লম্বী কয়া ...

লমায় ১গী মখা

মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকপা মতমদা ইন্দিয়াদা ম্যানমারনা হৱাই চেংৱাই মরু মরাং ইমপোর্ট তৌনবগী য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীনখিবা অদুনা ম্যানমারগী লৌমীশিংদা চাউনা কান্নহনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা অসিয়ান লৈবাক মপুং ওইনা য়ুল্লোন্নরিবা ম্যানমারগা লৈনরিবা মরিদা হেন্না চেৎশিনহনগনি।

মণিপুর ফাওদুনা চৎকদৌরিবা এসিয়ান হায়ৱে নম্বর ১ অমসুং ২ শুবা অসিনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগা ম্যানমারগা শম্নহনগনি। কেম্বোদিয়া, লাওজ অমসুং ভিয়েটনাম ফাওবা শাংদোকখিগদৌরিবা ইন্দিয়া–ম্যানমার–থাইলেন্দ শম্নগদবা ত্রাইলেটরেল হায়ৱে অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা থবক পায়খৎলি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীদি হৌজিক ইম্ফাল মোরে লম্বী অসি পাকথোকপগী থবক খুমাং চাউশিন্না চংশিল্লি হায়খি। ইম্ফাল মোরে লেন্দলাইনগী ফিজিব্লিটি সর্ভে লোইশিনখ্রে। লোয়ননা ম্যানমারগা রেল শম্নহন্নবগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিল্লিবনি। মসিদা ট্রান্স এসিয়ান রেলৱে লিঙ্ক অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী খুদোংচাবা য়াম্না পীগনি।

ইম্ফাল মন্দলে বস সর্ভিস হৌনবা থৌরাং অরোইবা তাঙ্কক্তা লৈরে। মখা তারকপা ওইনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমার লৈঙাক্কী মরক্তা ট্রান্সপোর্ট প্রোটোকোল খূৎয়েক পীনগদদৌরিবনি। মীহুৎ কাঙবু অসিনা ম্যানমারদা হনখ্রবা মতুংদা মসিগী খোঙথাং অসি লৌখৎপীনবা তকশিনখি। বস সর্ভিস অসি হৌদোকপনা রুমতেক অমসুং বোধগয়াদা লৈরিবা বুদ্ধিষ্ট লাইনিং চৎপশিংগী মফম য়ৌনবগী হোজং ওইগদৌরিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমারগী মরক্তা মীগা মীগ নকশিন্নবা হেনগৎহন্নবা, লল্লোন ইতিক হেনগৎহন্নবা অমসুং টুরিজম চাউখৎহন্নবগীদমক মণিপুর অমসুং মন্দলেগী মরক্তা নোংথক্কী লম্বী শম্নহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী ওইনা এয়ার কার্গো টর্মিনেল অসি শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে। লোয়ননা মন্দলে–ইম্ফাল–গায়া চৎপা য়ানবা এয়ার ইন্দয়াগা ৱারি শান্নরি।

মহাক্না হায়, মণিপুরগী সেক্যুরিতিগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা ফগৎলে। নাকল অনিমক্কী ঙমখৈদা হৌজিক মায়োক্লরিবা অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা, খূৎলায় লল্লোনবা, ঙমখৈ লান্না তেরোজিমগী থৌওং চথ–বা অমসুং আইন কায়না মীতোপ লানশিল্লকপগী ৱাথোক অসিনি। শোয়বদগী লৈবাক অনীগী জেলদা লৈরিবা মীওইশিংবু থাদোক থাজিন তৌনবগী মতাংদা মতেং পাঙনবা চংই।

মণিপুরগী ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অসি থবক হৌনবগা লোয়ননা মোরে অসি ম্যানমার চংথোক চংশিন তৌবগী চংথোক চংশিন তৌফম ওইনা লাওথোকখ্রবনি।

ইনভেষ্টমেন্টকী মরমদা মাঙলোমদা চঙশিনবা য়ানবগীদমক অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট পোলিসি অমা লৈরে। ইনভেষ্টমেন্ট প্রপোজেলশিং অসি ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবা সিঙ্গল ৱিন্দো এজেন্সি অমা শেমগৎনবা ৱাফম লৈরিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্না ত্রেদ, কম্মর্স অমসুং ইনভেষ্টমেন্টকী লমদা খুমাং য়াংশিন্নবা লোজিষ্টিক পার্ক অমা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি। মণিপুর অমসুং ম্যানমারগী মরক্তা কলচরগী মান্নবা মশক অমা তঙাইফদে লোয়ননা কলচরেল টুরিজম চাউখৎহন্নবা পোটেন্সিয়েল য়াম্না লৈরি।

মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী স্পোর্টকী পৱারহাউসনি হায়নরিবনি। মমাঙদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগা সাগাইং অমসুং মন্দলে রিজনগী শান্নরোইশিংগা মরুপ মপাং ওইবগী ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে।

মণিপুর অমসুং ম্যানমারগী মরক্তা এদুকেসন সেক্টরদা পুন্না চংশিনমিন্নবা খুদোংচাবা য়াম্না লৈরি। মণিপুরদা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনগী মথক্তা এম য়ু, সি এ য়ু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমসুং নেসনেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটিনচিংবা মহৈশঙ কয়া লৈরি। মণিপুরদা মেদিকেল টুরিজম অসি অতোপ্পা মীৎয়েং থম্বা য়াবা সেক্টর অমা ওইরিবনি হায়খি। থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী জি এ দি ভি ভুমলুনমাঙ, ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী দাইরেক্টর অলোক বন্সল, ম্যানমারগী দেলিগেটশিং অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা থবক তৌরিবা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।